# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৪২

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

অঙাংনা মৈ কিদে। নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংদে, ৱাকচীংগী নোং, কালেনগী নুংশা, অশিৎ-অৱান থাগী নুংশিৎ, মহৌশাগী খূৎশেম, ঙসি ফাওবা কায়দ্রি। অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা চৎনরি। নিংথৌগী লৈঙাক লৈরি। মসি পূম্নমক খঙনদবা য়াওদে। লৈঙাক অমদা অচুম-অরান নৈনদবা য়াওদে। শঙ্গ-পঙ্গ, অচান-মীরাই হায়বসি লৈতবা য়াওনদে। অদুম ওইনমক ঐগী ঐগী কা লাক্লবদা মপান্থোংদা পুকচেল চাউবা শাজরবসু থম্মোয়দা খল্লিবা-খন্নরিবশিং খঙনদবদি য়াওদে। মসিগীদমক মীওইবা ফুরুপ অসি জীব পূম্নমক্তগী অথোইবনি হায়না লৌনরিবনি। মসিগী মথক্তা মীওইবা খুদিংমক খূৎ য়েৎনা তৌবদু থাজনদবদগী খূৎ ওইনা চ্যেক তৌনরিবনি। মসি ঙম্নমক মীওইবগী চৎনবীনি। ঙসিগী চাওখৎলবা কম্প্যুটরগী চক অসিদা হেন্না হেন্না থাজ-থাজদ্রবা কয়া থবক ওইনা পায়খৎনরকপা অঙকপা নত্তে।

পোলিটিক্স হায়বসি তরাই তরাইবসু ওইদে। শাংলবা চহী কয়া কোংগ্রেসকী লৈঙাক মনুংদা মতম মতমদুগী লৈঙাক্লা তৌনীং-তৌনীংবা তৌদুনা লাকখিবনি। নহারোল লালহৌবশিংগী মরুমদা লৈঙাক্লা থাজ-থাজদ্রবা মীহাৎ-মীপূন, মীফা কয়া লেপ্তুনা তৌখবশিং মীচম মীয়াম্না ৱানা থম্মোয় কায়না খাঙলকখিবা পাউদম্বনা ৱাৎলগদবনি। মতম মতমগী লৈঙাক পায়রম্বশিংনা মনীং তম্না ওন্নীংবা মায়কৈদা ওনবা, পুনীংবা লম্বীদা পুবদগী শাংলবা চহী কয়া  অৱাবা খাঙনরক্লি। মসিগী লুরবা তাঞ্জাসিদা মীয়াম ৱানা চাক্লা খাঙলকপা চহী কুমজা কয়াদি হৌখ্রে। মরম অদুনা মতম মতমগী লৈঙাক্লা পায়খৎলকখিবা খুদিংমক মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা থোকপনা খঙনা-খঙনা, উনা-উনা অমুক্তংদি হায়না থম্মোয়দা ফুমদুনা থম্নরকখিবশিং/শিংনরকখিবশিং থাজদনা লুমদুনা ঙাইনরম্বশিং মীকপ অমদি চনিং তানা মঙফাওনরে। মতম অমগী ভোটকী মতমদা শেঞ্জাও পায়বশিংনা পুনীংবা মায়কৈদা পুরম্বশিং মতমনা পুরকপা ২১শুবা চক অসিদা শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টি অমা চোংথোরক্তুনা চপ চাবা লম্বা ওইনা থেংনরকপা মীয়াম্না থবক ওইনা মীৎমাংদা ফজনা খঙনখ্রে। ইন্দিয়াগী ফজৈ হায়নরিবা ৱারক্কী তয়ালগুম্লবা গনতন্ত্রগী পরা পূম্নমক তায়োন্নখ্রে। মতাংসি হেন্না কূপ্না পোলিটিক্সপু থবক ওইনা ওন্থোক্লিবা লমদমসিদা অঙকপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অঙকপা থবক ওইনা মীয়াম মমাংদা চোংথোরকখিবা থৌওং কয়া হায়বদি মতমদুগী শেঞ্জাও পায়বা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরম্বা কোংগ্রেস ভোটতা এম এল এ ২৮ কারে। ঙসিগী লৈঙাক পুরিবা বি জে পিনা ২২ কারে। অদুবু পোলিটিক্সকী কাচিন-কোয়া, নুং-পান পূম্নমক থক-খা ওনখ্রে। ২৮ কাজবা কোংগ্রেস লৈঙাক শেম্নবা থৌরাংদি খাঙুথক্তা লমখাংদগী মুনবীখ্রে। মসিগী মতাংদা গনতন্ত্রগী চৎন-কাঙলোন য়াম্না কূপ্না মুন্না থিজিনহৌদবরা? নম্বর গেমগী কল্লবা মরক্তা ২৮বু ২২না লৈঙাক্কী থবক লমখাংদা মুলহৌবসি অঙকপশিংগী মনুংদা অথোইবা অঙকপা অমনি হায়দবা ঙল্লোই। চোংথোক চোংশিনগী ঐখোয়গী আইন লৈনা লৈনা কোংগ্রেসকী ২৮গী মনুংদগী কোংগ্রেস টিকেট ফংদুনা চাউনা মায় পাক্লকপা এম এল এ অমা বি জে পিদা চোংশিল্লক্তুনা ২২ কারম্বা বি জে পি চাউপোক অমা হাপচিন্দুনা ২৩ শুরে। থাজদনা বি জে পিনা নমদুনা লৈঙাক চুপলি পায়রকপা অঙকপশিংগী মনুংদা অমনি।

মসিগী মথক্তা লৈঙাক পায়নবা থিরকপা তরাইখিদে। অদুবু থাজদনা বি জে পিগী মরক্তগী থৌনা ফরবা থাজদনা চোংথোরক্তুনা মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা থাজদনা লৈররে। মণিপুরগী নুপী-অঙাং, অহল, নহারোল কয়া মতম শাংনা নম্ফু সাসন, মীহাৎ-মীপূন তৌরম্বশিং চপ চাবা লমন অমদি শোয়দনা শিংলগনি খঞ্জরম্বশিংনি। কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদগী ঙসি ফাওবা অচুম্বসিবু লাকখিগদ্রা ঙাঙনরম্বশিং চনীং খরদি তানা নুংশা শ্বর হোন্দোক্লখিবা তাঞ্জানি। কোংগ্রেসকী মতমদা চত্থরম্বশিং হুরানবা অচৌবা শেঞ্জা থুমজাগী, মীহাৎ মীপুনগী, নম্ফু সাসনগী থবক চপ চানা অনৌবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা অওনবা অহোংবা অচুম্বগী মায়ওন অমদা লাক্লগনি হয়না থাজরম্বশিং নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম মাঙশিল্লক্লবা তাঞ্জা ওইনা থোক্লরে। অদুবু মতমনা পুরকপা য়াওলদা কনানবু থিংলুবা ঙমগনি। চহী অনীরোম লৈঙাক পুরকপদা করিসু অহোংবা অওনপা পুরকপা ঙমখিদবসিমক পূম্নমক্কী লাইবক থিমিন্নবনি। কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা মীয়ামগী পেন্দবগী ৱাথোক, লালহৌবা নমথবগী নামাদা মীচমদা ওৎখিবশিং, হাৎতোকপীখিবশিং, মণিপুর মীয়াম্না ফোঙনা খঙনরবা মীশিং ১৫২৮গী মফম মরাং খঙখিদবশিং ঙসি ফাওবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা শেংদোকপা ঙমদবসি অঙকপা পোক্লরি। মসিগী মথক্তা তোম্বীস্না হায় স্কুলগী লৈনুংদগী মীকোক ফংখিবশিংগী মরী মখোং ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদবসিবু অচুম্বগী পাঙ্গল, অহোংবগী লৈঙাক অমরা? মীয়ামগী ৱাহংনি। মসিগী মথক্তা কোংগ্রেসকী চহী ১৫গী লৈঙাক্তুদা করিসু অহোংবা পুরকখিদে, লোক্তাক শেংবগী শেনয়াম অমগী কেস, নুংথিল পোবোবতনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা হাৎখিবা ঙসি ফাওবা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম লৈরকপা অঙকপা লৈঙাক অমনি করম্না হায়দবা য়াগনি। হন্দক্কী শ্রী বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ফজরবা থৌরাং অমদি পায়খৎলকপা থাগৎতবা ঙল্লোই। মহাক্কী চীংদা চৎসি, খুঙ্গং চৎসি তোপ তোপ্পা অওনবা অহোংবা মীৎয়েং অমনি। মীয়ামগী থাজবা য়াবা থৌরাংনি। অদুবু থৌরমসি পাঙথোকপা হৌখ্রে। চীংগী করম্বা মফমদা অওনবা অহোংবা পুরক্লবগে? চীংগী করম্বা মফমদা খুদম চাংদম্বা য়াবা মফম অমত্তা থিন্দুনা তাকপীরবদি পূম্নমক্কী পূক্নিং লৌশিং ওইনগনি। মসিগী মথক্তা খুঙ্গংশিংদা লাক্তুনা খুঙ্গংগী করম্বা খুলদা, লম্বী-থোং, ঈথৈ-লৌখোং, লমলেম-লমহাং শেম্বগী মহুত্তা করিনো খুঙ্গংদা পায়খৎপীরিবশিং, খুঙ্গংগী লমলেম লমহাংশিং শেঞ্জাও পায়বা, শঙ্গ লৈবশিংনা খোপচিন্দুনা ঈথৈ লৌখোং ফুনজিন্দুনা ঈশিং ঈচাউ থোকপা করম্বা মফমদা য়েংশিনবীরম্বগে? মসিগী মথক্তা লমলেম লমহাং খুদিংমক মতমগী এস দি সীনচিংবা কয়ানা লোন্না পাট্টা পীশিন্দুনা শেঞ্জা থুমজাগী থবক পায়খৎলম্বশিং চ্যেক তৌবীদুনা মীয়ামগী অফবা লম্বী য়েংশিনবগী মহুত্তা করি করম্বা অচুম্বগী পোরম পায়খৎপীরিবগে? মরম অদুনা ঙসিগী চাওখৎলবা চকসিদা বি জে পিনা করম্বা অচুম্বগীদমক অওনবা অহোংবা থবক পায়খৎপীরবগে? মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবসি অচুম্বা থবক পায়খৎলকপা, অহোংবা মণিপুরগী অওনবা সোসাইটি অমা পুরকপদুনি। মসি পূম্নমকপু হোংহনবা হায়বসি তরাইবদি নত্তে। অদুম ওইনমক থবক ওইনা খরদি পায়খৎপা মতম ওইদ্রিবরা, চহী অনীদি হৌজিনখ্রে। মসিগী মনুংদা ফম মীকানবগী ঈরাং অমরোমদা চঙশিল্লকপা খোঙথাংসিদি মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা ওইনা লৌনদনীংঙাই লৈতে।

পোলিটিক্স মরুপ-মপাং, ঐগী পার্টি, ঐগী ইমুং-মনুং হায়বা ৱাখল্লোনসি থম্মোয় থম্মোয়দা ফুমদুনা চৎনরিবমখৈ অচুম্বগী পান্দম পুরকপদা অফবা ওইরোই। ঐগী পার্টি নত্তে, ঐগী ওইজবা মাঙই খল্লবদি অচুম্বগী খোঙথাং নত্তে। ঐগী এ সী নত্তে হায়দুনা শেমজিন শাজিনবদা অচান মীরাই নাইরবদি তুং কোয়না পোলিটিক্স তৌবদা পুন্সি শাংগনি খনবীগনু। চহী অনীগী মনুংদা ফম মুন্নবগী ঈহৌ লাকপা হায়বসি পোলিটিক্সতা পুন্সি শাংগনি থাজদে। মপূং ওইনা ঙসিগী ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স অসি শেঞ্জাও পায়বগী পোলিটিক্স ওইনা মীয়াম্না লৌনরক্লিবসি অফবা খোঙথাং নত্তে। মতম অমদা কোংগ্রেস মতোমতনা লৈঙাক পায়রম্বনি। অদুবু কোংগ্রেসকী পোলিটিক্স অসি পিবা ফম অমগুম্বা ইমুং মনুংগী পার্টিগুম লৌনরম্বদু ঙসিদি করি ওইরক্লে। পুর্নিমা-থাসি খায়রি। অয়ূক-নুংথিল নাইরি। মতম অমদা শেঞ্জাও পায়বা পার্টিনা জয় তৌরম্বনি অদুবু ঙসিদি শেঞ্জাও পায়বা পার্টি অমসু চাউনা চোংথোরক্লে। মীচম মীয়ামসু মমাঙঙৈগুম খঞ্জনবগী শক্তি অনী শুররে। মসিগী মথক্তা পার্টি মচা মচাশিংসু ইন্দিয়াগী ওইনা মৎখ্রগনি। অপীকপা ঈচেল মচা খুদিংমক অচৌবা ঈচেলদা তিনশিনখিবগুম খঙহৌদনা পার্টি মচা মচা চোংথোরক্লবসু পূম্নমক অচৌবা ঈচেলদা পুনশিনখ্রগনি। মসিগী খুদম হায়ববু মীয়াম্না থবক ওইনা তশেং তশেংনা মীৎমাংদা উনখ্রবনি। পোলিটিক্স হায়বসি মতম অমদা চত্থরম্বশিং ২১শুবা চকসিদা ওল্লক্লিবা য়াওল, হোংলক্লিবা মহোং খুদিংমক অমত্তা তরাইদে। শেঞ্জাও পায়রম্বা পোলিটিক্সকী লুচিংবশিং, ৱাজাও ঙাঙলম্বা অখঙ অহৈ শারম্বশিং মীৎমাংদা শংশংনা উনরনি। অদুম ওইনমক  পোলিটিক্স হায়বসি তুরেলগী লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পি হায়নবদু তশেংনা চুম্লে। ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোনগী চৎন-পথাপ শুনা খঙদবা মরমদগী ২৮বু ২২না মায়থীবা পীখিবা খুদম চাংদম ওইনা ইন্দিয়াগী মনুংদা ঙমদ্রবসু মণিপুরদা ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। মসিগী মথক্তা পোলিটিক্সতা ওইথোক্তবা লৈতে হায়বসু ময়েক শেংনা থবক ওইনা মীয়াম্না খঙনরে। মশা মশা ফাওবা থাজদনা মন্ত্রি ওইবা য়াওদবা নত্তে। মন্ত্রি ফম পায়রগা থবক থৌরম খঙদবা য়াওরমলোয় হায়বা য়াদে। মন্ত্রি ফমদি পায়রুবগা থবক থৌরম খঙদবগী ওফিসরনা মন্ত্রি শিঞ্জিনবা য়াওরমলোই হায়বদু হায়মনবা থোক্কনি। পোলিটিক্স তরাইবা নত্তে। থাজদনা এম এল এ কারে। থাজদনা মন্ত্রি ফম পায়রে। থাজনদবগী ফমগী ঈরাং লাকহনবা হায়বসি মন্ত্রি ফমগীদমক মিহৌনবা য়াম্বা লমদমসিদা ঈরাং লাকহনবা হায়বসিদি মীয়াম্না হরাওনরমগনি নীংদে। মীয়াম্না ৱাবগা মন্ত্রি, এম এল এশিংনা ৱাবগা চাংদম্নবা য়াবদি নত্তে। মণিপুরগী মীয়ামদি মতম শাংনা চহী কয়া ৱানা খাঙলক্লে। ঙসিদি হৈনবী ওইরক্লে। ঈরাং মরক্তা নোং তাদবগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে। নুংশাগী মৈশাবু খাঙগদ্রা? লৈঙাক্কী ঈরাংনা কনশিল্লকপা, পোৎ চৈগী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংখৎনরকপা মসি পূম্নমক ওন্থোকহন্নবা লৈঙাক তৌবিরিবা লৈঙাকপশিং মীয়ামগী য়াকা য়েংদুনা অচুম অরান, অমনা অমবু য়েংবীরগা মীয়ামগী খরদং কূপ্না খন্থবীদুনা অচুম্বগী লৈঙাক অমা পুরক্লবা থম্মোয় শেংনা কথেক্লদুনা তেল্লবা চহী অহুমগী লৈঙাক অসিদা অওনবা, অহোংবা অচুম্বগী শক্তম খরদি থন্বীরম্মু।

অমরোমদা থমজনীংলিবদি, পোলিটিক্সতা ওইথোক্তবা লৈতে। নুংশিনদবা লৈতে, মরুপনা মরুপ হাৎনৈ। লোয়নবা য়াদবা লৈতে, হেন্না হেন্না লোয়নরুরবসু থাজদনা হাৎতোকনৈ। শাংলবা চহী কয়াগী কোংগ্রেসকী লৈঙাক্তগী শক্তি, পাঙ্গল-লৌশিংনা নমদুনা পুরকপা লৈঙাক অসি কথোক্লদুনা থম্মোয় শেংনা ফজনা ঈংনা শান্তি ওইনা লৈঙাকপীয়ু। শানা শিবনা খোঙুলদা, মীনা শিবনা চিন্দা হায়বসিদি মতম চূপ্পদা কাউবীদনা নীংশিংবীদুনা থম্মোয় শেংনা অৱাবা খরসু খাঙবীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবীরম্মু। মমাঙথক্কী পুৱারী, মমাঙথক্কী ঙাঙথোকখিবশিং ঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোকপীরম্মু। চহী ৩দা ঙাইরবনি। য়েক্লবনা খুদুম শিংদুনা লেপ্তুনা ঙাইনরি। লৈঙাক পায়হৌদবশিংনা কথোকনীংলি। অনীং-অনীংবদু ফম পায়বা মতমদা কাউথোক্লবসি মহৌশানি। শিগনি খঙনা মৈ চৎলিবা তরা পায়বগুম্বনি। ৱানা কাজরক্লবা শেল থুমগী অৱাবা খাংনদুনা ওইজ-ওইথক্কী ৱাফম নাকোয়ননা থন্বীরমদুনা মীয়ামগী লুচিংবা ওইবীয়ু। ঈরাং লাক্লবনিনা ঈরাংনা পারা ওইবীয়ু। নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংদে। শেঞ্জা থুমজা হয়বসি মখোঙ পান্দুনা চৎনরক্লবনি। অচুম্বসি লেঙদনা হিমালয় চীংজাওগুম লৈরি। অরানবনা জয় তৌবা হায়বসি পুন্সি শাংনা চৎলোই। মীয়ামগীদমক কথোক্লবসি মতম কুইনা খঙনবা ওইদ্রে। লৌশিনবদি শেন্দোংনি হায়বসি নত্তবা কথোক্লবগী পারা ওইনা উহনবদি লেঙদবা শাখি ওইনহৌনি। মীংচৎকী উরোংদগী হেন্না ফবা করিবু লৈরিবগে? ২১শুবা চকসিদা কথোক্লবগী চৎনবী য়াওশিল্লক্তবসিনা লৈবাক অসিদা লায়না অমা ওইররে। ঙসিগী চকসিদা শেলদগী হেন্না ঙম্বা লৈতরে খন্নবসি পূম্নমক্কী লাইবক থিবনি। লুপা পৈশা, শঙ্গ-পঙ্গগী চক ওইরকপসিনা শেঞ্জাও পায়বা মী খুজোক খরগী লৈবাক ওল্লক্লে। মসিমক দশাগী মথক্তা দশা লাক্লবগী পোরম অমা লাক্লগনি। মী খুজোক খরগী মখূৎতগী নান্থোকপা য়াদ্রবদি মীনা মীবু লল্লোনপোৎ ওইরকপদা কনানা থিংবা ঙম্লগনি। মীয়াম মঙলাক্লবদা ঐসু, মীসু, মাসু য়াওদবা খক য়াররক্লোই। ঐখোয় অপূনবা হিজাও অমগী মনুংদা তোংমিন্নরিবনি। হিজাও লুপখিবদা ঐ ইরোমদোম হিংহৌবা খক য়াররোই। পূম্নমক খন্থমিন্নবগী মতম ওইরক্লে। মান্নবগী জয়, অপূনবগী শক্তি নত্তনা কৈদৌনুংদা মায় পাকলোই, ঐখোয় পূল্লসি, অপূনবগী জয় লৌমিন্নরসি। ●

# ‘ইন্দিয়া লৈঙাক্লা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী নীংশিং ‘ষ্টাম্প’ ফোঙখিবদা মহাক্কী মপোক চহী য়াওরক্তে, মহাক্তি খৃ: ১৭২৯গী মনুংদা তশেংনা পোকখি’

- শামুলাইলাৎপম প্রহলাদ শর্ম্মা -

শেংদোক ৱারোল :- হন্দক পাউচে অসিগী হৌখিবা জুন ২১, ২০১৯দা শ্রীখুন্দোংবম কুমার কৌবা অমনা “রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহীগী মতাংদা “১৮শুবা চহি চাদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র, লোইনাই চিংথংখোম্বা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নীংশিং ‘ষ্টাম্প’ ফাওবা পুথোকখ্রে”, কৌবা ৱারেং অমা ফোঙবিরকপা মুন্না পাজরে। অসিগুম্বা রাজর্ষিগী পাউসি ৱারেং ওইনা ইথোকপীদুনা ফোঙবিরকপগী থাগৎচরি।

অদোম্না পনবীরকপদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহি অসি খৃ: ১৭৪০ এদি, হায়বগী মওংদা “... Rajarshi Bhagyachandra (1740 A.D. - 1798 A.D.)  অসুম্না পন্দুনা ইবিরক্লি।

অদুগা অদোমগী ৱারেংগী অরোইবা শরুক্কী ৱাফমসিমক মসিদা থমজগে মদুদি “.... ১৮শুবা চহী চাদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী লৈঙাক্কী অমসুং কলচরগী খুদোল কয়াবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙবিবগা লোয়ননা শিংথবিদুনা নীংশিং ‘ষ্টাম্প’ ফাওবা পুথোকপিদুনা কুমজা ২০০০গী দিসেম্বর ৩১দা ইস্যু তৌবিখ্রে। হায়রিবা চহীদুমক্তদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নীংশিং ‘ষ্টাম্প’ ইস্যু তৌদিখিবসি পুৱারী ওইনা শক্লাই-মীংনাইরবা মখোয় মীশক মরিনি, মখোয়শিং অদুদি:-

1. Somarat Prithviraj (1162 A.D. - 1192 A.D)
2. Raja Bhamashah (1542 A.D. - 1598 A.D)
3. General Zorawar Singh (1786 A.D. - 1841 A.D)
4. Rajarshi Bhagyachandra (1740 A.D. - 1798 A.D)

শিংসিনি। পঞ্জরিবা শক্লাই-মীংনাইরবা মীশকশিং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াথংদা দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টনা দিসেম্বর ৩১, ২০০০ দা ইস্যু তৌবিখিবনি। ফোটোগা কোন্ননা অকুপ্পা ৱারোলগী ৱাফমদি চেফোঙসিদা থমজদ্রে, মফম মতম চাবদা থমজরক্কে ৱারৌবিরোই।” অসুম্না ইবিরগা ৱাহং অসি লোইশিল্লি।

নৈনবা শরুক:-

ঐহাক অদোম্না থন্বিরিবা মথক্কী ৱাফম অসিগী মরম লোইনা খঙই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থোকপা লেটেশ রিলিজ নোট অদুমকসু উরে, ঐঙোন দসু লৈ। মসি শ্রীরামভিলাস পাসৱাননা মিনিষ্টর ওফ কম্যুনিকেসন এন্দ ইনফোরমেসন টেক্নোলোজিগী ফম পায়রিঙৈ দিসেম্বর ৩১, ২০০০দা ফোঙদোকখিবনি । মী খুদিংমক্লসু মোবাইল ফোনগী মতেংনা গুগলদা মরী লৈনবা ৱাফম ইরগা নম্বদা লোইনা উবিগনি। ঐনা মতম শাংনা ঙাইদুনা লাক্লিবদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহি অসি খৃ: ১৭৪০দা পোকই হায়বা কাঙবুনা পোষ্টেল ষ্টাম্পগী ৱাফম অসি পন্দুনা ইরকপা ঙাইরকপনি। হন্দক্তি পনবিরক্লে। মসিগীদমক থাগৎচরি।

হায়জনীংবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মথক্কী ‘পোষ্টেল ষ্টাম্প’ মরি অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ‘ষ্টাম্প’ পুথোক্কদৌরিবা মীংনাইরবা মখোয় ৪ অসিগী মপোক চহী অমদি মখোয় মশানা শিখিবগী চহী অসি অমা নৎত্রগা অমদা লাল্লম্বা  থেংনৈ। খুদম পীজরক্কে:-

1. Somarat Prithviraj (1162 A.D. - 1192 A.D)

মহাক্কী দটা অসি গুগল অমদি মহাক্কা মরী লৈনবা লাইরিকশিংদা ইরম্বা থেংনবদি মহাক্কী মপোক চহী অসি খৃ: ১১৯২ হায়না ইবা থেংনৈ, গুগলদসু য়াওই অসুম্না ইরি "Born: C. 1166, Gujarat..." অসুম্না। মসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী ‘ষ্টাম্প’ পুথোকপদা পীরল্লিবা মপোক চহী অসিগা চান্নদে। অদুবু মহাক্লা শিখিবগী চহীদি চান্নৈ। মসিদা সোমরাট পৃথভিরাজ মহাক্কী মপোক অসি অমদনা খৃ: ১১৬২দা ওই, অদুগা অমদনা খৃ: ১১৬৬তা ওইরি।

2. Raja Bhamashah (1542 A.D. - 1598 A.D) অসুম্না অদোম্না ইবিরি। মসিমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ‘ষ্টাম্প’ রিলিজ নোটতা য়াওবদুনি। মহাক্কী দটা অসিদসু লাল্লি। মহাক্কা মরী লৈনবা লাইরিক্তা অমদি গুগলদদি - "Bhamashah (1542-1600)" অসুম্না ইরল্লি। অদোম্না পীবিরিবা শিবগী চহী খৃ: ১৫৯৮ অসি হিন্দী লোন্দা ইরম্বদা “লগভজ ১৫৯৮” হায়না ইরম্বা থেংনৈ। মসিনা তাকপদি মহাক্লা শিবগী চহী অসি হৌজিক ফাওবদা চান্নদে/চুমদ্রি। অচুম্বদু খঙদ্রি তাকপনি।

3. General Zorawar Singh (1786 A.D. - 1841 A.D) অসুম্না অদোম্না ইবিরি। মীংনাইরবা মহাক্কী দটা অসিবু ঐখোয়না গুগলদা অমদি মরী লৈনবা লাইরিক্তা থেংনবদদি “He was born in September 1784...." অসুম্না থেংনৈ। তশেংনা মপোক চহী অসি চান্নরমদে।

4. Rajarshi Bhagyachandra (1740 A.D. - 1798 A.D)

অসুম্না অদোম্না ‘ষ্টাম্প’ রিলিজ নোটতগী লৌথোক্লগা অদোম্না ইবিরি। মতাং অসিদসু মসি মঙাই অমা নত্রগা অমদা লাল্লম্বদু থেংনৈ। লাল্লি হায়বগী খুদম হায়ববু - য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কম্যুনিকেসন শ্রীরামভিলাস পাসৱাননা থোক্লিবা মাগী লেটেশ রিলিজ নোট অদুদা ইরল্লিবদি “ Rajarshi Bhagyachandra (1740 A.D. - 1798 A.D) was an enlightened king of Manipur..."  অসুম্ননি। ষ্টাম্প রিলিজ নোট অসিদা রাজর্ষি মহাক খৃ: ১৭৪০দা পোকখি হায়রমদে।  "enlightened" হায়ববু পোকপা হায়ব্রনে। মুন্না খনবিয়ু। য়াম্না অহৈবা অখঙবা মীগা তানবীয়ু। হেক্তা হায়জিনবিগনু। মসি পুৱারী ইবদা শাগৎপদা অরুবা মতাং অমনি। লানবা য়াদবনি। মরম অদুননি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীংনাইবা মরি অসিগী ‘পোষ্টেল ষ্টাম্প’ ফোঙবদা রিলিজ নোট ইরকপা তারকপদা ঐখোয়গী রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক অসি মী মীশিং অসিগী মপোক চহীদা নৎত্রগা শিখিবগী  চহী চুম্না পুথোকপা ঙমদ্রিবা, মাগী মাগী কনসর্ন ষ্টেট গভর্ণমেন্টতুনা চুম্না পীবা ঙমদ্রিবা মীংনাইবশিং গ্রুপ্তা থমদুনা/ চনহন্দুনা ষ্টাম্প ফোঙলিবসি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মমিং লৈবা মীশিংগী পোষ্টেল ষ্টাম্প ফোঙবা মতমদা মী মীদুগী মপোক চহী অমদি মহাক্লা শিখিবগী চহী চুম্না চুম্না লৈবশিংগীদি পোষ্টেল ষ্টাম্প মশা অদুমক্তা মপোক চহি অমদি শিখিবগী চহি তশেং-তশেংনা থাবনি, মুন্না য়েংবিয়ু। অসুম তৌরিবসি ‘ষ্টাম্প’ হায়বসিগী মচৎ ওইবননি। অদুগা অমনা মীংনাইবা মীদুগী পোকপগী চহী নত্রগা শিবগী চহী  অমা নত্রগা অমদা লাল্লবা, হায়বদি অচুম্বদু মরী লৈনবা ষ্টেট/ষ্টেটতুগী গভর্ণমেন্টকী কনসর্ন ওথোরিটি অদুনা অচুম্বা মপোক চহী নত্রগা শিখিবগী চহী পীবা ঙমদ্রবা/খঙনদ্রবা/ য়েৎনরিবা/চিংনরিবা লৈবনা অকক্লবা অচুম্বা অশেংবদু তশেংনা মসিনি হায়দুনা পীবা ঙমদ্রিবা ওইরগদি ষ্টাম্প মশামক্তা মপোক চহী অমদি শিবগী চহী থারোই। মসিমকসু অসিগুম্বা মখলগী ‘ষ্টাম্প’  পুথোকপদা তৌগদবা/উৎকদবা মচৎনি। মসিমক্লনি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রমক্কী পোষ্টেল ষ্টাম্প মশামক্তা মপোক চহি থারক্ত্রিবসি। মহাক খৃ: ১৭৪০দা পোক্লে/ পোকখি হায়রবদি পোষ্টেল ষ্টাম্প মশামক্তা মহাক্কী মপোক চহী অমদি শিখিবগী চহী ইরমগনি/থারমগনি অমদি পোষ্টেল ষ্টাম্প রিলিজিং নোট ইবদা মখাগী অসুম্না ইরমগনি। “Rajarshi Bhagyachandra was born in 1740 A.D...." অসুম্না। অদুবু অসুম্না ইরমদ্রিবা করিগীনো? মরমদি রাজর্ষিগী মপোক চহী খৃ: ১৭৪০ পীরিবসিদি অশেংবা খঙবা ঙমদ্রি/ঙমদ্রে তাকপনি।

ফরে, রাজর্ষি মহাক খৃ: ১৭৪০দা পোকখি হায়রিবসি কনানা অসুম্না ইরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পীরিবনো? কদায়-কদায়দগী লৌবা মপোক চহীনো? পীরিবা মপোক চহী অসিগী প্রাইমারি সোর্স লৈরব্রা? লৈরবদি কদায়-কদায়দা য়াওবগে? য়াম্না মরু ওইরিবা ৱাহংশিং অসি থোক্লকই। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীবা ঙম্বা তাই। ঐনা ঙসি ফাওবদা শবাক-ফাক্তুনা থিবদা রাজর্ষিগী মপোক চহী খৃ: ১৭৪০ অসিগী অচুম্বা প্রাইমারি সোর্স অমত্তা থিবা ফংদে। মমি ফাওবা তল্লম্বা ফংদে। ফংলিবদি নামৈরাকপম পন্দিৎ অচৌবগীদা লৈবা চৈথারোল কুম্বাবা অমগী লাপান দা/লাতোন্দা ইরম্মি হায়নরিবা “২৭ নি য়ুমশকৈশদা কর্ত্তা পোকএ” অসিখক্তনি। মসিমকসু মৈতৈ ময়েক্তা ইবা চৈথারোল কুম্বাবা অমগী লমায় ১৬৭তা বেঙ্গলি ময়েক্লা ইশিনবনি। মসিমক্তি প্রাইমারি সোর্স কৌবা য়াদে। হেক্তা পংই ইশিল্লম্বনি। অসুম্না হেক্তা পংই ইশিনবা কাঙবুসি ঐখোয়না অশেংবা অচুম্বা তৌবা অখঙবা পন্দিৎ কৌবা মতিক চাদে। অতাউবা মিংচৎ পাম্বা কাঙবুনা তৌগদবা থবকনি মসিদি। অসিগুম্বা, মীওই খরা তানরগা চানৈসু খঙদবা, চান্নদেসু  খঙদবা অমা পংইদা ইশিল্লম্লগা ইশিল্লম্লিবা মপোক চহী অদুবু করম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা রাজর্ষিগী অচুম্বা মপোক চহীনি হায়দুনা কনানা পীশিল্লুরিবনো? ৱাহং অসি থোক্লকই। হৌজিক ফাওবদা ঐনা থিরুবদা/খঙজবদা মণিপুর লৈঙাক্কীদি অশেংবদু খঙদ্রি হায়না ইরম্বা থেংনৈ। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর লৈঙাক্তদা রাজর্ষি মহাক করম্বা চহী চাদা পোকখিবগে হংলকপদা মণিপুর লৈঙাক্লদি মপোক চহী অহুম (৩) হায়বদি খৃ: ১৭২৯, খৃ:১৭৪০ অমসুং ১৭৪৮ অসুম্না লৈ, অশেংবা লেপ্পা ঙমদ্রি হায়না থারুবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অমুক মপোক চহী মখল ৩ অসিগী অচুম্বা অশেংবদু খল্লকউ হায়না চে লাকখি হায়। মসিগী পাউখুম ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবগীদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক্কী মপোক চহি অশেংবদু লেপ্পা/খঙবা ঙমদ্রি হায়না চে ইখিবা লৈ হায়না শ্রীনাউরোইবম ইন্দ্রমনি সিংহ মণিপুর লৈঙাক্কী আর্কাইবতা ওফিসর ওইরম্বা মহাক্লা ঐগী লাইরিক “রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক্কী মাঙলুরবা মপোক চহী অমসুং শামু অঙাওবা ফাখিবা মতম” কৌবা লাইরিকসি ফোঙবা নুমিত্তা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাঙবীখিবদা ফোঙদোকপিখিবা ওদিও রেকোর্দ লৈরি অমদি মমাঙগী চহীদা রাজর্ষিগী ২৮৯শুবা নীংশিং মপোক থৌরম পাঙথোকপা নুমিৎতসু ৱাঙাঙলোই অমা ওইনা শ্রীইন্দ্রমনি (নুংশিজরবা তামো) না ৱা ঙাঙবদা মতাংসি পনবিখিবা রেকোর্দ লৈরি। হায়জনীংবদি, লাল্লে খঙলকপদা বাইবল ফাওবদা রিরাইট তৌখি।

মসিনা মরম ওইদুনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক খৃ: ১৭৪০দা পোকখিদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা রাজর্ষিমক্তি পোষ্টেল ষ্টাম্প অসিগুম্বা মখলগী ১০০/১০০০ ফোঙলবসু, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র (১৭৪০ এদি-১৭৯৮ এদি) অসুম্না ব্রেকেট মনুংদা ১০০০ লক ইরবসু মহাক খৃ: ১৭৪০ অসিদা পোকখিদে, অসিনি। মরমদি মপোক চহী অসিগী প্রাইমরি সোর্স চুম্না শেংনা পীবা ঙমদে অমদি পীনীংঙাই মরম অমত্তসু লৈতৈ অসিনি। কনাগুম্বনা লন্নাই ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা লান্না মপোক অসিমক পীশিন্দুনা মীচঙ-মীখায় নাইবা মওংদা লোভি তৌরম্লবদি মহাক অরানবা ইনফোর্মেসন পীরম্বগীদমক চৈরাক ফংলোইদবগী মরমসু লৈতে। ●

ঙ্ঙ্ক্ষেক্লোঁ / PLOT য়োঞ্জরি

Ghambhir Singh Shopping Arcade Shop No. 19, 1st floor, Area 15.2 ft x 10 ft, Dag No. XVI/640 অসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পান্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদগী অকূপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/3907/27,28,29 # 9366933978

ঙ্ঙ্ক্ষেক্লোঁ / ইস্খোল য়োঞ্জরি

ট ৩০x৯০ পাক-চাউবা, য়ূম য়াওবা ইস্খোল অমা ৱাংখৈ নিংথেমফ পুখ্রি মপাল মখা লৈরক্তা য়োঞ্জরি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

HL-P/3207/27,28,29 # 8837442445

DIRECT ADMISSION 2019-20
In top ranking Universities and Institutions in Dehradun and other States of India.

| UG Courses | PG, MCA |
| --- | --- |
| BJMC, BPT, BMLT, BSc Medical radiology and imaging technology (BMRIT), BSc Optometry, BSc Forestry, BSc Agri, BSc Horti, BSc Foodtechnology, Btech (all streams), Bachelor of Fisheries Science, Bachelor of Library Sc, BBA, BCA, B.Com & BHM. | Mtech, MBA, MSc, Microbiology, MSc evs, MSc Agronomy, MSc Forestry, MSc Agri, MSc Horti, MPT (Physiotherapy, Ortho, Neuro, Sports) MSc MLT, MSc Genetics Plant breeding, MSc Soil Science, MSc Pathology, MSc Entomology, MSc, foodtech. |
| ***Scholarship available Education loan Support*** | We consult your needs Call us for guidance **8837454543/8118930400** Wangkhei Andro parking near Axis atom ground floor. |

HL-P/3904/23-30june/1-22july

PMKVY
Skill India
SD INDUSTRIES
CONSTRUCTION TRAINING CENTRE
N·S·D·C National Skill Development Corporation
SMART TP ID - TP009187
Email : loktak.sdictc 2019 @ gmail.com
Phone No. 8259956622/8787753730/9856165020/7085211680
ADMISSION OPEN
FREE TRAINING PROGRAMME



| Job Role : | Eligibility : | Document Reqd. : | Benefits : |
| --- | --- | --- | --- |
| Plumber General | 10th Passed | • Valid Aadhar Card • 2 Passport Size Photos • Valid Mobile No. • Valid Email ID • Valid Bank Account linked with Aadhar • Educational Certificates • Sc/St certificates (optional) • Physically Handicapped Certificate (Optional) | • All Courses are Free for 100% attendance • SSC Certified Trainers • Nationally & Internationally Recognised Certification by NSDC • Mudra Loan facilities for Passed out trainers • Post Placement Monetary Support • Placement Assistance • Induction Kits and Study • Pre-Counselling Session |
| Painter & Decorator | 10th Passed | | |

Be a part of Skill India Innitiative
For Further Details Please Contact, Office of the SDICTC, Changangei Uchekon Contact No.8259956622

HL-B/5514/28,30,2,4,6